ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা থম্লম্বা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান খ্বাইদগী য়াম্না চয়োলগী রেকোর্দ অদু চয়োল ৩১১ শুরদুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবা গ্রান্দস্লাম টাইটল ১৮লক ফংলবা সর্ভিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোবিচ

দোহাদা লোইশিনখিবা ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস কন্টেন্দর টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় লিন য়ুন জুবু গেম ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা নুপাগী সিঙ্গলসতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা জর্মনিগী দিমিট্রিজ ওপচারোব

মুম্বাই সিটি এফ সীনা এফ সী গোৱাবু পেনাল্টি শুট আউটতা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

9th March, Tuesday
(SEMI-FINAL 2 - 2ND LEG)
ATK Mohun Bagan
vs
NorthEast United FC
Time : 7:30 PM

অহানবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা মুম্বাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা হরাউবা

বম্বোলিম, মার্চ ০৮(এজেন্সী):

গোৱাগী বম্বোলিমদা লৈবা জি এম সী ষ্টেদিয়মদা ঙসি মুম্বাই সিটি এফ সীনা এফ সী গোৱাবু এক্সট্রা টাইম ফাওবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী সেমীফাইনেলগী অনীশুবা লেগ অদু পেনাল্টি শুট আউটতা পাঞ্জল ৬-৫দা থোইরগা ক্লব অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টিম অনী অসিনা মমাংদা শান্নখিবা অহানবা লেগকী সেমীফাইনেল মেটচ অদুদা পাঞ্জল ২-২দা ড্রো চৎখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদুদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী অপীবা মিনট ৯০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মিনট ৩০গী এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা মখা তানা লম্বা তৌনবদা অমুক্কসু পাঞ্জল চনবা ঙম্নদবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী কাঙলোনগী মতুংইন্না পেনাল্টি শুট আউট চৎখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপদা মুম্বাই সিটি এফ সীনা ফজবা খরা হেনখিবনি। অদুবু এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগীনা অনীশুবা হাফতা ফজবা হেনখ্রবসু পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদবনি। এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী পেনাল্টি শুট আউট অদুদা কিক মরি পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। গোৱাগী সবষ্টিট্যুট গোলকিপর নবিন কুমারনা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী কিক অহুম ঙাকথোকপা ঙমখ্রবসু মহাক্কী হোৎনজমল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় ৪ পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী ৫-৬তা মায়থীখিবনি।

মুম্বাইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি ওকবেচে, রেনিয়র, রানাৱাদে, মার্টোজা ফোল, মন্দার অমসুং বোর্জিসনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চলহৌদবশিং অদুদি ফর্নান, বোমোস অমসুং এফ এ জাহোনি। এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৫ চনখিবশিং অদুদি অঙ্গুলো, গোঞ্জলেজ, পন্দিতা, ওর্টিজ অমসুং অদিলনি। হয়েং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী অমসুং এ টি কে মোহন বগান সেমীফাইনেলগী ২শুবা লেগ শান্নগনি।

বজ্রং পুনিয়ানা ফাইনেল লৌদুনা কিলো ৬৫গী ফ্রী ষ্টাইল রেষ্টলিংগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৮(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা রেষ্টলর বজ্রং পুনিয়ানা ইটলিগী কোনুং রোমদা পাঙথোকপা মাটিও পেলিকোন রেঙ্কিং রেষ্টলিং সেরিজকী ফাইনেলদা ঙরাং মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলরবু মায়থীবা পীদুনা কিলোগ্রাম ৫০গী কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

হৌখিবা চহীদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শান্নবগী হীরম খূদিংমক পন্দুনা লৈখিবনি। লাইচৎকী অথিংবা খরা কোমথোক্লরকপগী মতুং বজ্রং পুনিয়ানা রোমদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্কী কেজি ৬৫গী কেটেগোরি অদুদা অনীশুবা রেঙ্কতা শরুক য়ারকখিবনি। মশাগী চহী ২৭ শুরবা বজ্রং পুনিয়ানা ঙরাং পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর টুলগা টুমুর ওসিরগা লম্বা তৌনখি।

মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর অদুনা ফাইনেল বাউট অদুগী অয়াম্বা মতমদা পোইন্ট ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অদুবু বাউট অদু লোইগদবা শুপ্নগী সেকেন্দ ৩০দা ঙাইরবা মতমদা বজ্রং পুনিয়ানা পোইন্ট ২ স্কোর তৌখিবদগী কাঙলোনগী মতুংইন্না পোইন্ট ২-২দা লৈরবসু ইকোন কোন্না পোইন্ট লৌবা ঙমখিবা বজ্রং পুনিয়ানা ফাইনেল অদু মায় পাকখি।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিদা ঙরাং ইন্দিয়াগী নুপীগী রেষ্টলর ভিনেশ ফোগটসু কিলোগ্রাম ৫৩গী কাঙলূপ্তা কানাদাগী রেষ্টলর দাইনা ৱেকরবু ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবগা লোয়ননা মহাকসু ৱর্ল্ড নম্বর ৱানগী থাক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

বজ্রং পুনিয়া অমসুং ভিনেশ ফোগট টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। ভিনেশ ফোগটনা চয়োল ২গী মনুংদা গোল্ড মেদল ২ ফংবা ঙমখি। থাংজ নুমীৎতা রোমদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল ফংখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োলদা য়ুক্রেনগী কোনুং কিয়েবতা পাঙথোকপা আউটষ্টেন্দিং য়ুক্রেনিয়ন রেষ্টলরস এন্দ কোচেস মেমোরিয়ল টুর্নামেন্টতসু গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর সুমিট মালিকনা নুপাগী কিলোগ্রাম ১২৫গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা পোইন্ট ৯ ফংবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড নম্বর ৪দা হাইগৎপা ঙমখি। গ্রেকো রোমানগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর নবিন মোরসু কিলোগ্রাম ১৩০গী কেটেগোরিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

নুপীগী রেষ্টলর সরিতা মোর কিলোগ্রাম ৫৭কী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল ফংদুনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ২শুবা থাক্তা হাইগৎখি। লোয়ননা নুপীগী কেজি ৫৭তা শরুক য়াখিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অন্সু মালিকসু হান্না ৱর্ল্ড নম্বর ৮দা লৈরম্বদগী ৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা চেম্প খাগেমপল্লিবু থোইখ্রে

MANIPUR VETERAN CRICKET TOURNAMENT, 2
AT L THABAL PU GROUND, IMPHAL
ORGA BY : MANIPU ERAN CRICKET ASSN.

ইম্ফাল, মার্চ ০৮(ঐচ এন এস):

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৮লকশুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা চেম্প খাগেমপল্লিবু রন ৫১দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস চেম্পনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী মায়কৈদগী ওভর ৩০দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১৯৪ লৌবা ঙমখি। ৱাই দল্লিয়ু সীগী ওপনর অলাইনা বোল ৫২দা রন ৫৬ লৌদুনা আউট ওইদনা অতোপ্পা ওপনর কুমারজিৎনা শুপ্নগী বোল ৩৬তা রন ৪৫ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী শান্নরোয় সচিসু আউট ওইদনা বোল ২৮দা রন ২৩ লৌবা ঙমখি। রন ১৮ লৌরম্বা উমাকান্তগী পর্ফোর্মেন্সসু পনবা য়াই।

চেম্পকী মায়কৈদগী বোলর তোমথাংনা ৱাই দল্লিয়ু সীগী বেটসমেন ৪ আউট তাহল্লগা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্নবা চেম্প খাগেমপল্লিনা রন ১৯৫ লৌবা তাখি। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ৩০ শান্নবদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১৪৩ খক লৌখিবদগী মখোয় ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী মখূৎতা রন ৫১দা মায়থীখি।

চেম্পকী মায়কৈদগী সঞ্জয়না বোল ৩৮দা রন ৪৮ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। অদুবু অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তা রন ২০ য়ৌখিদবদগী মায় পাকপা ঙমখিদবনি। পনবা য়াবা স্কোরশিংদি রন ১৮ লৌরম্বা গিট, ১৭ লৌরম্বা রাজিব অমসুং ১৬ লৌরম্বা সজিসনি। ঙসিগী মেটচ অদুদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী মায়কৈদগী রন ৪৫ লৌবগা লোয়ননা ৱিকেট ১সু লৌবা ঙমখিবা কুমারজিৎনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি। হয়েং সাইক্লোন অমসুং মোদেল ক্লব শান্নগনি।

য়ু পিগী লক্ষ্নৌদা পাঙথোক্কদবা নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ১১ খনখ্রে

FEDERATION CUP 2021

ইম্ফাল, মার্চ ০৮(ঐচ এন এস):

চহী অসিগী এপ্রিল ৩ অমসুং ৪দা উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্নৌ সিটিদা পাঙথোক্কদবা ১০শুবা ফেদরেসন কপ ২০২১ সিনিয়র মেন্স, ১৩শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স বোদি বিল্ডিং অমসুং ৮শুবা ৱিমেন্স স্পোর্টস মোদেল ফিজিক অমসুং ৱিমেন্স ফিটনেস ফিজিক নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ১১ ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসননা ঙরাং খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিএসনগী ওফিসতা পাঙথোকপা ট্রায়ল সেলেক্সন অমদা খনখ্রে।

খল্লবশিং অদুদি নুপাগীদা য়ুবরাজ সোনর (কেজি ৫৫), হেনরি মাঙ্গোলাল হাওকিপ (কেজি ৬০), সকিবুর য়ুমখাইবম (কেজি ৬৫), সোইবম রোবর্ট (কেজি ৭৫) অমসুং বাবোই ক্ষেত্রিময়ুম (কেজি ৮০)নি। নুপীগী বোদি বিল্ডিংগী ওপন কেটেগোরিদা শরুক য়াগদৌরিবীশিং অদুদি করিশমা চিঙ্গাংবম অমসুং ইঙুদম কবিতানি।

সেন্টিমিটর ১৬২ ৱাংবা ৱিমেন্স স্পোর্টস মোদেল ফিজিকতা শরুক য়াগদবশিং অদুদি সোলিমলা জাজো, বি এস ইকোরমি চিথুং অমসুং অরিবম রেবিকানি। সেন্টিমিটর ১৬২গী মখাদা লৈবশিংগী ওইনা শরুক য়াগদৌরিবী অদুদি থিংবাইজম গিটপ্রিয়ানি। লোয়ননা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসননা মণিপুরগী টিম অসিবু এসিষ্ট তৌনবগীদমক্তা খল্লবা ওফিসলশিং অদুদি মেনেজর ওইনা ৱাই সুনন্তা অমসুং কোচকী ফমদা এন কিষন খল্লে হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা খঙহল্লক্লি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ২-০দা থোইখ্রে

লন্দন, মার্চ ০৮(এজেন্সী):

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং শান্নখিবা ২৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়ূম্বু ওইদুনা ইটিহাদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ব্রুনো ফর্নান্দেজনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। সিটিগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা শান্নরকপা অদু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা কান্নবা ফংখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী মার্কস রাসফোর্দনা পীরকপা বোল অমদা লুক সোনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেটচ মখা চৎথরকপা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদে। মায়থীরবসু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মেটচ ২৮দা পোইন্ট ৬৫ ফংলগা মাঙজিল থারি। মখোয়বু থোইরম্বা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী টিম মেটচ ২৮দা পোইন্ট ৫৪ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা খৃষ্টল পেলেসপু পাঞ্জল ৪-১দা থোইখি। হোটস্পরগী মায়কৈদগী জেরেথ বেলনা পাঞ্জল ২ অদুগা হেরিকেনসু পাঞ্জল ২ চনখি। খৃষ্টল পেলেসকীনা বেনদেকেনা চনখি।

১০শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল ২০২১ মার্চ ২৭তগী এপ্রিল ১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৮(ঐচ এন এস):

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা লেপ্তুনা পাঙথোরকপা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ১০রকশুবা ওইনা চহী অসিগী মার্চ ২৭তগী এপ্রিল ১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক) অসিগী নহা ওইরিবা/ওইরিবী কয়ানা য়াওশঙগী মরুমদা অবের তৈনবা, ঈশিং হৈনবা, লম্বীলমজাওদা থৌরী থৎতুনা অচৎঅওকশিংদগী শেল নীবা, শেল খাইবা অমদি পীয়ু য়াদ্রগা গাড়ী ছো মুনবা লোয়ননা পীক্লিবা অঙাংশিংনা য়ূমথোঙ খূদিংগী য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা শেল নীবগী চৎনবী লমদম অসিদা লিশাং শীৎনা চথরক্লি। অসিগুম্বা চৎনবী কয়া অসিনা হৌরক্লিবা মীরোলদা ফজদ্রবা লমচৎকী মরূ হুলহনবদা নৎতনা পীক্লিবা অঙাংশিংগী ৱাখলদা মীঙোন্দগী নীরগা চাবা, মীপাল তাংদুনা হিংবগী ফৎত্রবা চৎনবী কয়াগী মরূ হুল্লক্লি।

অসিগুম্বা চৎনবী কয়া অসিবু নাথৈদুনা মীপূম খূদিংমক শান্নখোৎনবদা মায় ওনশিল্লসি হায়বগী ৱাখল্লোনদা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি।

১০শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০২১ অসিবু মপূং ফানা পাঙথোক্তুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিং অসিবু ফৎত্রবা চৎনবীশিং অসিদগী লাপথোক্তুনা মশা-মউ ফবা তিঞ্জংকায়জংদবা কংলৈ খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙম্নবগীদমক ইরমদম অসিদা লৈরিবা শান্নববু থৱায় হাপ্পীরিবা লোয়ননা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপা পামজবা কংলৈচা খূদিংমক্না মতেং পাংবীয়ু লোয়ননা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিবু হেন্না মপূং ফাহনবদা শরুক য়াবীয়ু হায়না কংলৈচাশিংগী মফমদা হায়জরি।

HL-B/6801/20/2-21/3

ꯁ꯭ꯇꯦꯞꯁ ꯇꯨ ꯁ꯭ꯌꯨꯔ ꯁꯛꯁꯦꯁ
S3 Coaching Centre
STEPS TO SURE SUCCESS
EDUCATION WITH CARE
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island
ADMISSION IS GOING ON FOR
DON'T MISS DON'T MISS
LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount
SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology
(one subject Free)
SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science
(one subject FREE)
Day Boarding for
NAVODAYA & SAINIK
Entrance Coaching
NEET - 2021
REVISION FOR CHEMISTRY
STARTING FROM 3RD MARCH
FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021
50% DISCOUNT ON
FIRST TWENTY STUDENTS
Class - Timing
Morning 6am - 9am
Evening 3pm - 7pm
HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII
Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students
Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021
Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020
It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam
TOPPERS of 2020
9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o. H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph
HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST
Date: 18/02/2021 22/02/21 24/02/21 27/02/21 03/03/21 06/03/21
Sub: English Maths MIL S. Sc. Science Adl. Sub.
VAN AVAILABLE
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/6780/10/2-17/3

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 47

FM Wallis,C (2347) - IM Nakar,Ey (2424)
PokerStars IoM Masters 2014 Douglas ENG, 2014.10.07

1.d4 Nf6 2.c4 g6 3.Nc3 Bg7 4.e4 O-O
5.f3 d6 6.Be3 c5 7.Nge2 Nc6 8.d5 Ne5
9.Ng3 h5 10.Be2 h4 11.Nf1 e6 12.Nd2 exd5
13.cxd5 a6 14.O-O h3 15.g4 b5 16.g5 Nh7
17.f4 Nd7 18.Bg4 Bd4 19.Bxd4 cxd4 20.Ne2 Nc5
21.Ng3 Re8 22.Kh1 a5 23.Qf3 a4 24.Bxc8 Rxc8
25.Qf2 d3 26.Qd4 Nf8 27.b4 axb3 28.axb3 Qb6
29.Rf3 Nfd7 30.Nf5 gxf5 31.Rxh3 Kf8...

QUESTION :
White wins in 4 moves

Puzzle 46 Ans. :

49...Kg7 **50.**Bh6+The white bishop decoys Black's king. The white bishop deflects Black's king away from protecting the square h8.Kh7 **51.**Qd4Mating netKxh6 **52.**Qh8#

50. Qc7 Kg8 **51.**Be5 Qe8 **52.**Bd4 Qe6 **53.**Qf4 Qf5 **54.**Qh6